## রিকগনেসন পীদ্রিঙৈদা হান্না ষ্টদি তৌগনি

মোস্কো, ওগষ্ট ২৬ (এজেন্সী) :

অফঘানিষ্টানদা টালিবানগী ওইবা অনৌবা লৈঙাক অমা শেম্ন বা হোৎনরক্লিবা অসি হান্না ষ্টদি তৌরবা মতুংদা অমদি অফ ফত্তা য়েংলগা মখোয়বু মশক খঙবগী ফিরেপ লৌরকপা য়াই হায়না লৈবাক অদুগী প্রসিদেন্ট ৱ্লাদিমির পুটিনগী ৱাঙাঙলোয় অমনা ফোঙদোরক্লি।

ৱাঙাঙলোয় দিমিত্রি পেসকোভনা মখা তানা ফোঙদোরকখিবদা টালিবান ফাইটরশিংনা অফঘানিষ্টান পুম্বা কন্ত্রোল তৌরে হায়না লৌবা য়াই। লৈবাক অদুগী দিষ্ট্রিক্ট খরা খক্তদা অতোপ্পা লোকেল মিলিসিয়াশিংনা কন্ত্রোল তৌদুনা লৈরি। মখোয়শিং অদুসু অথুবা মতমদা তকথোকখিনবা টালিবাননা অকনবা মওংদা হোৎনরি।

টালিবাননা অনৌবা গভর্ণমেন্ট অমা হৌজিক হৌজিক শেম্নবা হোৎনরি। মখায়না গভর্ণমেন্ট অমা শেম্লক্লবসু খুদক্কী ওইনদি রসিয়ানা টালিবানগী গভর্ণমেন্ট অদুবু শকখঙবা তৌরোই। অফঘান অমদি রসিয়নশিংনা মখোয়না চত্থরকপা থৌওংশিং য়েংখিগনি।

# অফঘান নুপীশিংনা ময়ুমদগী মপান থোক্তুনা থবক তৌদনবা টালিবাননা খঙহনখ্রে



কাবুল, ওগষ্ট ২৬ (এজেন্সী) :

অফঘানদা টালিবানগী লৈঙাক লাকখ্রবা মতুং নুপীশিংনা মখোয়গী সেফটিগীদমক খল্লগা য়ুমদগী মপান থোক্তুনা অতোপ্পা মফমদা থবক শুবগী মহুত্তা য়ুমদা লৈদুনা থবক শুনবা টালিবাননা খঙহনখ্রে।

টালিবানগী ৱাঙাঙলোয় জবি উল্লা মুজাহিদনা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না হৌখিবা কুমজা ১৯৯৬ তগী ২০০১ ফাওবা টালিবাননা অফঘানদা লৈঙাক পায়রিঙৈ মতমদা থোকখিবা থৌদোকশিং অদুবু মালেমগী মীয়াম্না পেন্দবা ফোঙদোক্লখি। লৈবাক অদুদা লৈরিবা মীয়ামগী খল্লগা টালিবাননা থবক তৌনবা হোৎনরি। অদুবু টালিবান ফাইটরশিং অয়াম্বা মপুং ফানা ত্রেন তৌদ্রিবা মরম্না লৈবাক অদুগী নুপীশিংনা থবক মফমদা চত্তুনা থবক তৌবদা খুদোংচাদবা খরা মায়োক্লবা য়ানা লৈরি।

টালিবানশিং হান্না লৈরম্বা ফীভমদগী তপ্না তপ্না হোংলক্লি। অফঘানিষ্টানদা তংদু লৈতাবা ফীভম অমা লাক্ত্রিবা ফাওবা নুপীশিংনা য়ুমদা লৈদুনা থবক শুরবদি মখোয়গী পুন্সিদা খুদোংথিবশিং কৈদৌনুংদা থোক্লোই হায়রি।

টালিবাননা অফঘানিষ্টানদা অনৌবা লৈঙাক অমা পুরক্লগনি হায়না ফোঙদোকখ্রবসু লালহৌলুপ অসিগী লুচিংবশিংনা লৈবাক অদুগী নুপীশিংগী হক্কী মতাংদদি ৱাফম অমত্তা ফোঙদোকখিদে অমদি লৈবাক অদুগী মফম খরদা নুপীশিংগী মথক্তা ওৎ নৈবগী থবক চত্থবা হৌখ্রে।

কুমজা ১৯৯৬ তগী ২০০১ ফাওবা অফঘানিষ্টানদা টালিবাননা লৈঙাক পায়রিঙৈ মতমদা নুপীশিং য়ুমদগী মপান থোকপা য়ারমদে। করিগুম্বা য়ুমদগী থোকপা তারবসু কনাগুম্বা নুপা অমগা লোয়নগদবনি অমদি মখোয়গী মশা পুম্বা ফিনা কুপশিনগদবনি হায়বা ৱাফম লৈরমখি। নুপীশিংদা চত্থরিবা কা হেনবা থৌওংশিং অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ৱর্ল্ড বেঙ্কনা অফঘানিষ্টানদা শেন্থং পীবা থিংজিনখি অমদি য়ুনাইটেদ নেসন্সনা লৈবাক অদুদা লৈরিবা নুপীশিংদা চত্থরিবা মীওৎ মীনৈগী মতাংদা থিজিন্নবা খঙহনখিবনি।

অমরোমদা মথং চয়োল ফাওবগী মনুংদা য়ু এসনা লৈবাক অদুদগী মখোয়গী মীশিং পুথোকপগী থবক চত্থরিবা অদু লোয়শিনগনি হায়না ফোঙদোকখিবা ৱাফম ঙাক্লা চৎনবা ৱাঙাঙলোয় অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# বোকো হরাম ফাইটরশিংনা মিলিটরি পোষ্টতা এটেক চত্থদুনা লান্মী ১৬ হাৎখ্রে

নিয়ামে, ওগষ্ট ২৬ (এজেন্সী) :

নাইজরগী খা থংবা শরুক্তা লৈবা মিলিটরি পোষ্ট অমদা মশীং য়াম্লবা অফবা মখলগী খুৎলাই পায়বা বোকো হরাম ফাইটরশিংনা এটেক চত্থদুনা য়ামদ্রবদা লান্মী ১৬ হাৎখ্রে অমদি ৯ হেন্না অশোক অপন নংহনখ্রে হায়না দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোরক্লি।



ৱেষ্ট অফ্রিকান কন্ত্রিগী শরুক অমা ওইরিবা নাইজরগী খা থংবা শরুক্তা লৈবা দিফা রিজনদা থোকখিবা থৌদোক অদুদা মিলিটরিগী মায়কৈদগীসু চপ চাবা পাউখুম পীখি। নাকল অনীগী মরক্তা পুং খরা অকনবা মওংদা খুৎ থোক্লখ্রবা মতুং লান্মী ১৬ শিখিবনি। মিলিটরিশিংনা হন্দুনা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক্তসু এটেক চত্থরকখিবা বোকো হরাম ফাইটর ৫০ রোম শিহনখ্রে অমদি য়াম্লবা খুৎশু খুৎলাইশিং রিকোভর তৌবা ঙমখ্রে হায়না মিনিষ্ট্রি অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

কুমজা ২০০৯ দা নাইজেরিয়াগী অৱাং নোংপোক থংবা শরুক্তা বোকো হরাম গ্রুপ অসি হৌদোকখিবগা লোয়ননা তপ্না তপ্না মপাঙ্গল কনখৎলকখিবনি। অদুমওইমক লালহৌলূপ অসিনা নাইজেরিয়াগা য়ুমথংনরিবা চার্দ, নাইজর অমসুং কেমরুনদা য়াম্না তোয়না ভাইওলেন্সকী ওইবা থবক থৌওংশিং চত্থদুনা লাক্লি। কুমজা ২০১৫ দা থোকখিবা ভাইওলেন্সকী ওইবা থৌদোক অমনা মরম ওইরগা দিফা রিজন থাদোক্তুনা চৎলুরবা মীওইশিংনা মফম অসিদা অমুক হল্লক্তুনা হান্নগুম খুন্দা লৈতানবা হোৎনরিঙৈ মরক অসিদা অমুক হন্না বোকো হরাম ফাইটরশিংনা এটেক চত্থরকখিবা অদুনা মরম ওইরগা মীয়াম মীপায়নরে।

দিফা রিজনগী মনুং চন্না লৈবা বারোৱাদা হৌখিবা জুন থাদগী হৌরগা মীওই ৬,০০০ হেন্না অমুক হন্না লাক্তুনা খুন্দানবা হোৎনরকখিবনি। মফমদুদা হান্না খুন্দাদুনা লৈরম্বা মীওই লীশিং ২৬ লোম লালহৌশিংগী মীওৎ মীনৈ খাংবা ঙমদবদগী মফম অদু থাদোক্তুনা চৎখিবনি। অদুম ওইনমক য়ুনাইটেদ নেসন্সনা অকনবা মওংদা হোৎনদুনা অতোপ্পা লৈবাকশিংদা চঙজফম লৌদুনা লৈরুরবা মীওইশিং অদুবু হলহল্লকখিবনি। অমরোমদা নাইজর ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না মফম অদুদা হল্লক্তুনা খুন্দা লৈতানবা হোৎনরিবশিংগী চেকশিন থৌরাংগী থবক লৈঙাক্কী মায়কৈদগী পায়খৎপা হৌখ্রে।

# ইরাই নুমিৎ ফাওবগী মনুংদা লোয়শিন্নবা পান্দম থল্লি : পি এম

পেরিস, ওগষ্ট ২৬ (এজেন্সী) :

অফঘানিষ্টানগী কোনুং কাবুল টালিবান ফাইটরশিংনা কন্ত্রোল তৌখ্রবা মতুং মফম অদুদগী অতোপ্পা হান্না লৈরম্বা লৈবাক্কী মীওইশিং মখোয় মখোয়গী লৈঙাক্ক া তেক্তা কায়দনা পুথোকপগী থবক চত্থরি। ফ্রান্সকী ওইনসু মফমদুদা লৈরিবা ফ্রেন্স নেসনলশিং অমদি অফঘানশিংদা খুদোংথিবা থোকহল্লকপা য়াবগী ফীভমশিং লৈবনা মখোয়গী নেসনলশিং মফমদুদগী পুথোরকপগী থবক ইরাই নুমিত্তা লোয়শিল্লগনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর জিন কাসটেক্সনা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা য়ু এস ক্রুপশিং মফমদুদগী থা অসিগী অরোইবা ফাওবগী মনুংদা মপুং ফানা লৌথোকখ্রগনি। মদুনা মরম ওইরগা টালিবান ফাইটরশিংনা কাবুল এয়রপোর্ট মপুং ফানা খুদুম চনশিনদ্রিঙৈদা মখোয়গী নেসনলশিং মফমদুদগী পুথোকপগী থবক অকনবা মওংদা চত্থরি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা কাবুলদগী ফ্রান্স নেসনল ২,৫০০ রোম তেক্তা কায়দনা পুথোরকখ্রে। মখোয়গী নেসনলশিং অদু য়ুনাইটেদ অরব ইমিরেটসতা লৈবা ফ্রেন্সকী বেজ অমদা মিলিটরি এয়র ক্রাফটশিংনা পুথোরকখিবনি। ফ্রেন্স নেসনলশিং খক্তা নত্তনা লৈবাক অদুবু থাদোক্তুনা চৎনিংবা অফঘান নেসনলশিং অমদি জর্নেলিষ্টশিংসু পুথোরক্লবা ফ্রান্সকী মায়কৈদগী অকনবা মওংদা হোৎনরি।

# মুলা অব্দুল ঘানি বরাদারনা অফঘানগী প্রসিদেন্ট ওইরবা য়ানা লৈরি

কাবুল, ওগষ্ট ২৬ (এজেন্সী) :

টালিবান ফাইটরশিংনা অফঘানিষ্টানদা লৈরম্বা য়ু এসনা চৈঙাক পীবা গভর্ণমেন্ট ইন্থুখ্রবা মতুং লৈবাক অদুগী প্রসিদেন্ট টালিবানগী কো ফাউন্দরসু ওইরিবা অমদি দিপ্যুটি লিদর মুলা অব্দুল ঘানি বরাদারনা ওইরবা য়ানা লৈরি হায়না টালিবান লুচিংবশিংনা ফোঙদোরক্লি।

টালিবাননা লৈবাক অদুগী কোনুং কাবুল মপুং ফানা কন্ত্রোল তৌখিবা নুমিৎ ১০ নি মপুং ফারকখিবগা লোয়ননা অনৌবা লৈঙাক অমা শেম্নবা অকনবা মওংদা হোৎনরি। টালিবাননা মখোয়গী হান্নগী সেনিয়র ভেটরানশিংবু নৌনা শেমগদৌরিবা লৈঙাক অদুগী মরু ওইবা পোষ্টশিং পায়হন্নবা পান্দম থল্লি। ফাইনান্স মিনিষ্টর অমসুং দিফেন্স মিনিষ্টরগী ফমসু সেনিয়র ভেটরান অনীদা মাংজৌননা খুৎশিন্নখ্রে। দিফেন্স মিনিষ্টর ওইহনখ্রবা মুলা অব্দুল কয়ুম জকির ক্যুবাগী গ্বানতানামো বেদা লৈবা য়ু এস প্রিজন অমনা মতম শাংনা ফাদোক ওইদুনা লৈরকখ্রবা মীওই অমনি। অদুগা ফাইনান্স মিনিষ্টর ওইখ্রবা গুল অঘানা টালিবান গ্রুপকী ফাইনান্সিয়েল চীফ ওইনা থবক তৌরকখ্রবা ইন্তরনেসনল কম্যুনিটিশিংনা অথিংবা থমখ্রবা মীওই অমনি। অমরোমদা সাদর ইব্রাহিমনা এক্তিং ইন্তরিয়র মিনিষ্টর ওইনা থৌ পুহনখ্রে হায়রি।

# প্রিজন কেম্পতগী অহানবা ওইনা নভালনিনা মহাক্কী ইন্তরভ্যু পীখ্রে



ক্রেমলিন, ওগষ্ট ২৬ (এজেন্সী) :

লৈবাক মনুংদা ঈরাং থোকহন্নবা শিল্লে হায়বগী মরালদা রসিয়ন ওথোরিটিনা চহী অসিগী অঙনবা থাদগী হৌরগা ফাজিন্দুনা থল্লকখিবা ক্রেমলিন এলিক্সি নভালনিনা অহানবা ওইনা প্রিজন কেম্পতগী মহাক্কী ইন্তরভ্যু পীখিবগা লোয়ননা জেল মনুংদা মখোয়দা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা চত্থরিবা অসি চাইনিজ লেবর কেম্পশিংদা চত্থরিবা থৌওংশিংগা চপ মান্নে হায়না ফোঙদোরকখি।

মশাগী চহী ৪৫ রোম শুরবা রসিয়ন ওপোজিসনগী ফিগর অসিনা মখা তানা ‘দি ন্যুয়োর্ক টাইমস’তা ফোঙদোকখিবদা জেল মনুংদা লৈরিবা ফাদোকশিংদা ওথোরিটিশিংনা সাইকোলোজিকেল ভাইওলেন্সকী ওইবা থবক থৌওং কয়া চত্থরি। চাইনিজ লেবর কেম্পশিংদা লেববরশিংবু পরেং শানা লেপহন্দুনা থবক তৌহনবা অমদি মফম খুদিংমক্তা ভিদিও কেমেরাশিং থেক্তুনা য়াম্না কুপ্না মোনিটর তৌরি। জেলদা লৈরিবা সিক্যুরিটি গার্দশিংনসু ফাদোকশিংবু করিগুম্বা মখলগী পাউ চেশিং অমত্তা পাহনবগী খুদোংচাবশিংসু পীদ্রি। জেল মনুংদা লৈমিন্নরিবশিংনা মহাকপু কৈদৌনুংদা তাথি তাওইনা তৌবা লৈতে। অদুমওইনমক সিক্যুরিটি গার্দশিংনা ফাদোকশিংগী মথক্তা চত্থরিবা থবক থৌওংশিং অসিদি কা হেনবা থৌওংনি হায়রি।

অমরোমদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং য়ুরোপিয়ন গভর্ণমেন্টনা রসিয়াগী মথক্তা অথিংবা কয়া থমজিল্লকখিবা অদুবু মহাক্লা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি। রসিয়াগী মথক্তা অথিংবা থমজিল্লকপা মতমদা কা হেন্না অৱা চৈথেং ফংগদৌরিবা অসি পৱার পায়রিবা মীওইশিং নত্তে। লৈবাক অদুগী চমজরবা মরাল লৈজদ্রবা মীওইশিংনি। মরম অদুনা রসিয়াগী মথক্তা থল্লিবা অথিংবা অসি হন্দোকখিবনা অফবা খোঙথাং ওইগনি হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা রসিয়াদা মীয়াম্না পাম্বা লৈঙাক অমা শুংশোয় শোয়দনা লাকহনগনি হায়রি।

# লম্মৈনা টুরিষ্ট সাইটশিংদা অচৌবা চৈথেং পীরক্লি

কালিফোর্নিয়া, ওগষ্ট ২৬ (এজেন্সী) :

কালিফোর্নিয়া অমসুং মিনেসোটাদা অকনবা মওংদা চাক্লিবা লম্মৈনা মরম ওইরগা হায়রিবা মফমশিং অদুদা লৈরিবা টুরিষ্ট সাইটশিংদা অচৌবা চৈথেং পীবা হৌরকখিবগা লোয়ননা মফমদুদা লৈরিবা মীওইশিং শাফগদবা মফমশিংদা পুথোকপগী থবক চত্থরি হায়না ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোরক্লি।

লম্মৈ অসিনা মরম ওইরগা হৌজিক ফাওবগী ওইনা য়ুম কয়া অমাঙ অতা থোকহনখ্রে। ফাইয়র ফাইটরশিংনা লম্মৈ অসি কন্ত্রোল তৌনবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরি। উমং কংশিল্লকপা মতম ওইবা অমদি অশাবা নুংশিৎ শিৎপনা মরম ওইরগা মৈ মুথৎনবা হোৎনবদা মায় পাকপা ঙমদ্রি। হৌখিবা ওগষ্ট ১৪ দগী হৌরগা হায়রিবা মফমশিং অসিদা মৈ চাকপা হৌরকখিবনি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা লম্মৈ অসিনা মরম ওইরগা স্কৱার কিলোমিটর ৫১০ গী শরুক ওইগদবা মফমশিং মাঙহন তাকহনখিবগা লোয়ননা য়ামদ্রবদা য়ুম ৪৬১ সু অমাঙ অতা থোকহনখ্রে।

অমরোমদা লৈবাক অসিদা লম্মৈ চাক্লিবা অসি ক্লাইমেট চেঞ্জনা মরম ওইরগা কা হেন্না শাগৎলকপদগী চাক্লকখিবা ওইরম্বা য়াই হায়না তোঙান তোঙানবা থিজি ল্লোয়শিংনা মখোয়গী ওইবা ৱাখল্লোনশিং ফোঙদোক্লরক্লি।

# অফঘানিষ্টানদগী মীওই ২৮,০০০ য়ুনাইটেদ অরব ইমিরেটসনা মতেঙ পাংদুনা পুথোরকখ্রে : ওফিসল

অবুধাবি, ওগষ্ট ২৬ (এজেন্সী) :

টালিবান ফাইটরশিংনা অফঘানিষ্টান মপুং ফানা কন্ত্রোল তৌখ্রবা মতুং হৌজিক হৌজিক চয়েৎনরিবা কাবুল এয়রপোর্টতগী মীওই ২৮,০০০ য়ুনাইটেদ অরব ইমিরেটসনা মতেঙ পাঙদুনা পুথোরকখ্রে হায়না সেনিয়র ইমিরেটি ওফিসল অমনা ফোঙদোরকখ্রে।



য়ু এ ঈ অমসুং কাটারনা কাবুল এয়রপোর্টতগী ৱেষ্টর্ন কন্ত্রিগী সিটিজনশিং, অফঘান ইন্তরপ্রিটরশিং অমদি জর্নেলিষ্টশিং লৈবাক অদু থাদোক্তুনা চৎনবা হোৎনবদা অচৌবা মতেং পাংলি। ৱেষ্টর্ন কন্ত্রিশিং মরু ওইনা বৃটেন, ফ্রান্স অমসুং য়ু এসনা অফঘানদা লৈরিবা মখোয়গী সিটিজনশিং খুদোংথিবা থোকহন্দনবা অমদি অফঘানশিংবু ঙাক শেনবগী থবক চত্থরি। পোলেন্দ অমসুং নেদরলেন্দনসু মখোয়গী সিটিজনশিং টালিবাননা খুদুম চনশিনখ্রবা অফঘানিষ্টানদগী তেক্তা কায়দনা পুথোরক্লবা হোৎনরি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা লৈবাক অদুদগী য়ু এ ঈনা মতেং পাংদুনা মীওই ২৮,০০০, বৃটেননা ১২,০০০ অমদি য়ু এসনা ৯,০০০ লোম অফঘানদগী পুথোরকখ্রে হায়রি।

# ভেনিজ্বেলা ঈশিং ঈচাওদা শিখিবা মী মশীং ২০ শুখ্রে

করাকস, ওগষ্ট ২৬ (এজেন্সী) :

ভেনিজ্বেলাগী নোংচুপ থংবা শরুক্তা অকনবা নোংনা মরম ওইরগা থোকহনখিবা ঈশিং ঈচাও অমদি লৈবাক নীংখাইবগী থৌদোক্তা হৌজিক ফাওবগী ওইনা শিখিবা মী মশিং ২০ শুখ্রে হায়না লোকেল ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

ওফিসলশিং অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা ঈচাও অমদি লৈখোম লৈনাংনা চেন্থখিবগী থৌদোক্তা মীওই ২০ শিখ্রে। মখা তানা অশিবা মশীং হেনগৎলকপা য়াবগী অকিবা লৈরি। রেস্ক্যু ৱার্কর কয়ানা ঈশিং ঈচাও অমদি লৈখোম লৈনাংনা অমাঙ অতা থোকহনখ্রবা মফমশিংদা চঙশিন্দুনা মী কনবগী থবক চত্থরি। হীরম অসিগা মরী লৈননা ষ্টেট গভর্ণর রামোন গ্বেভারানা ফোঙদোকখিবদা ঈচাও অদুনা মরম ওইরগা হৌজিক ফাওবগী ওইনা য়ুম ১,২০০ হেন্না অমাঙ অতা থোকহনখ্রে অদুগা মীওই ১৭ ওফিসল ওইনা হৌজিক হৌজিক থিবা ফংদবগী রিপোর্ট লাক্লে। ঈচাওনা চৈথেং পীরিঙৈ মরক অসিদা ওপোজিসন পার্টিশিংনা থৌদোক অসিবু পোলিটিকেল ৱিপন অমা ওইনা শীজিন্ননবা হোৎনরক্লিবা অসি লাইবকথিবনি। ওইরিবা ফীভম অসিদদি রুল্লিং নৎত্রগা ওপোজিসন হায়বগী ৱাখল্লোন থাদোক্লগা থবক তৌবনা অচুম্বা ওইগনি হায়রি।

## মালেমদা কোভিদনা শোকহল্লবা লৈবাকশিং

| # | Country, Other | Total Cases | New Cases | Total Deaths | New Deaths | Total Recovered | Active Cases |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | World | 214,705,293 | +722,539 | 4,475,557 | +11,300 | 192,027,217 | 18,202,519 |
| 1 | USA | 39,157,249 | +171,737 | 649,680 | +1,287 | 30,678,283 | 7,829,286 |
| 2 | India | 32,557,767 | +46,397 | 436,396 | +608 | 31,781,046 | 340,325 |
| 3 | Brazil | 20,645,537 | +30,529 | 576,730 | +901 | 19,577,135 | 491,672 |
| 4 | Russia | 6,804,910 | +19,536 | 178,423 | +809 | 6,073,157 | 553,330 |
| 5 | France | 6,673,336 | +23,706 | 113,665 | +93 | 6,120,304 | 439,367 |
| 6 | UK | 6,590,747 | +35,847 | 132,003 | +149 | 5,197,140 | 1,261,604 |
| 7 | Turkey | 6,273,681 | +19,970 | 55,212 | +217 | 5,756,406 | 462,063 |
| 8 | Argentina | 5,155,079 | +6,994 | 110,966 | +160 | 4,833,260 | 210,853 |
| 9 | Colombia | 4,897,150 | +2,448 | 124,474 | +86 | 4,727,307 | 45,369 |
| 10 | Spain | 4,815,205 | +10,781 | 83,690 | +163 | 4,217,444 | 514,071 |
| 11 | Iran | 4,796,377 | +39,983 | 104,022 | +665 | 4,020,844 | 671,511 |
| 12 | Italy | 4,502,396 | +7,547 | 128,914 | +59 | 4,237,758 | 135,724 |
| 13 | Indonesia | 4,026,837 | +18,671 | 129,293 | +1,041 | 3,639,867 | 257,677 |
| 14 | Germany | 3,901,864 | +12,490 | 92,572 | +33 | 3,710,500 | 98,792 |
| 15 | Mexico | 3,249,878 | +18,262 | 254,466 | +940 | 2,591,369 | 404,043 |
| 16 | Poland | 2,887,234 | +198 | 75,329 | +5 | 2,656,355 | 155,550 |
| 17 | South Africa | 2,722,202 | +13,251 | 80,469 | +516 | 2,474,245 | 167,488 |
| 18 | Ukraine | 2,276,590 | +727 | 53,521 | +20 | 2,202,160 | 20,909 |
| 19 | Peru | 2,145,051 | +1,360 | 198,031 | +87 | N/A | N/A |
| 20 | Netherlands | 1,926,424 | +2,828 | 17,974 | +7 | 1,829,405 | 79,045 |
| 21 | Philippines | 1,882,887 | +13,372 | 32,492 | +228 | 1,724,892 | 125,503 |
| 22 | Iraq | 1,847,697 | +7,787 | 20,410 | +73 | 1,686,513 | 140,774 |
| 23 | Czechia | 1,678,084 | +250 | 30,393 | | 1,645,957 | 1,734 |
| 24 | Chile | 1,635,173 | +399 | 36,718 | +17 | 1,592,238 | 6,217 |
| 25 | Malaysia | 1,616,244 | +22,642 | 14,818 | +265 | 1,337,134 | 264,292 |
| 26 | Canada | 1,479,310 | +3,158 | 26,855 | +6 | 1,427,007 | 25,448 |
| 27 | Bangladesh | 1,477,930 | +4,966 | 25,627 | +114 | 1,389,571 | 62,732 |
| 28 | Japan | 1,338,492 | +20,947 | 15,693 | +30 | 1,102,891 | 219,908 |
| 29 | Belgium | 1,170,213 | +1,611 | 25,342 | +1 | 1,088,145 | 56,726 |
| 30 | Pakistan | 1,135,858 | +4,199 | 25,220 | +126 | 1,019,434 | 91,204 |
| 31 | Sweden | 1,120,628 | | 14,634 | | 1,083,508 | 22,486 |
| 32 | Thailand | 1,102,368 | +18,417 | 10,085 | +297 | 903,015 | 189,268 |
| 33 | Romania | 1,092,971 | +849 | 34,454 | +14 | 1,052,478 | 6,039 |
| 34 | Portugal | 1,025,869 | +3,062 | 17,674 | +16 | 963,205 | 44,990 |
| 35 | Israel | 1,022,207 | +8,961 | 6,908 | +28 | 935,514 | 79,785 |
| 36 | Morocco | 829,137 | +8,008 | 12,079 | +85 | 747,746 | 69,312 |
| 37 | Hungary | 811,337 | +134 | 30,055 | +1 | 773,569 | 7,713 |
| 38 | Jordan | 792,278 | +812 | 10,338 | +18 | 769,192 | 12,748 |
| 39 | Switzerland | 765,190 | +3,212 | 10,962 | +8 | 703,487 | 50,741 |
| 40 | Kazakhstan | 754,891 | +6,040 | 8,643 | +131 | 631,501 | 114,747 |
| 41 | Nepal | 752,863 | +1,862 | 10,612 | +44 | 703,964 | 38,287 |
| 42 | Serbia | 748,693 | +2,327 | 7,233 | +7 | 717,435 | 24,025 |
| 43 | UAE | 712,411 | +983 | 2,028 | +2 | 695,843 | 14,540 |
| 44 | Austria | 680,179 | +1,574 | 10,770 | +2 | 656,016 | 13,393 |
| 45 | Tunisia | 647,483 | +3,411 | 22,860 | +146 | 599,440 | 25,183 |
| 46 | Cuba | 611,163 | +8,637 | 4,806 | +96 | 555,370 | 50,987 |
| 47 | Lebanon | 595,522 | +1,593 | 8,024 | +5 | 547,624 | 39,874 |
| 48 | Greece | 570,077 | +3,265 | 13,459 | +42 | 518,550 | 38,068 |
| 49 | Saudi Arabia | 543,028 | +321 | 8,505 | +8 | 530,382 | 4,141 |
| 50 | Georgia | 528,043 | +5,021 | 6,949 | +58 | 463,306 | 57,788 |


## MANIPUR LEGISLATIVE ASSEMBLY SECRETARIAT

ꯆꯥꯀꯆꯥ-ꯌꯨꯝꯐꯝ / NOTIFICATION

*Imphal, the 24th August, 2021.*

*No. 01/01(02)/2021-LA(Estt):* Applications are invited from the intending candidates for direct recruitment to the following vacant posts in the Manipur Legislative Assembly Secretariat on regular basis. The number of post may be increased or decreased subject to availability of vacancies from time to time.

1. **1(one) post of Reporter Grade-III:**

| Pay Scale | Essential Qualification | Desirable | Age Limit | URC | RC |
|---|---|---|---|---|---|
| Rs. 9300 34,800 and Grade pay of Rs. 4,200/- (Level-7 of ROP-2019) | 1) Graduate of any recognised University with 80 w.p.m. in English Shorthand and typing speed (English) 40 w.p.m. relaxable upto 35 w.p.m. for SC/ST and OBC candidates. 2) Candidate should qualify the recruitment examination to be conducted by the Manipur Legislative Assembly except in respect of reserved vacancies. 3) Education or other qualifications relaxable in respect of physicaly handicapped persons. 4) Diploma in Computer Applications. | i) Knowledge of English, Hindi and Manipuri. | i) 38 yrs. and below (Relaxable by 5 yrs. for SC/ST & 3 yrs. for OBC Candidates). ii) The upper age limit is relaxable for Govt. Servants appointed under Govt. of Manipur/Manipur Legislative Assembly Secretariat to the extent of the period of continuous service put in the post/service and those who belongs to SC/ST/OBC will get the facility admissible to a Govt. servant in addition to the relaxation admissible to SC/ST/OBC candidates mentioned at (i). | 1 | 0 |

2. **1(one) post of Assistant Sound Technician:**

| Pay Scale | Essential Qualification | Desirable | Age Limit | URC | RC |
|---|---|---|---|---|---|
| Rs. 5,200 20,200/- and Grade Pay of Rs. 1,900/- (Level-3 of ROP-2019) | i) Class XII (passed). ii) Diploma in Electronic or Radio and Sound System from a recognised Institute. iii) Knowledge of electric fittings. | i) Knowledge of English Hindi and Manipuri. | i) 38 yrs. and below (Relaxable by 5 yrs. for SC/ST & 3 yrs. for OBC Candidates). ii) The upper age limit is relaxable for Govt. Servants appointed under Govt. of Manipur/Manipur Legislative Assembly Secretariat to the extent of the period of continuous service put in the post/service and those who belongs to SC/ST/OBC will get the facility admissible to a Govt. servant in addition to the relaxation admissible to SC/ST/OBC candidates mentioned at (i). | 1 | 0 |

** URC- Un-reserved Category, RC- Reserved category.*

***Terms & Conditions:***

1. Application forms will be available at **the Banquet Hall, Manipur Legislative Assembly, Chingmeirong** on payment of ₹500/-(Rupees five hundred) only for unreserved/OBC candidates and ₹300/-(Rupees three hundred) only for SC/ST candidates from **02-09-2021 to 04-09-2021** and duly filled-in forms shall be submitted from **06-09-2021 to 08-09-2021** during office hours at the said venue. Admit Cards will be issued from **11-09-2021 to 14-09-2021** at the same venue during office hours.
2. The decision of the authority as to the eligibility or otherwise of the candidates will be final.
3. The notification may be cancelled at any time without assigning any reason thereof as per decision of the authority.
4. The detailed information can be had from the office of the undersigned during the office hours.
5. The number of post may be increased or decreased subject to availability of vacancies from time to time.
6. There shall be relaxation of upper age limit for those who have the experience of working in the Assembly Secretariat or any Govt. Department/ Organisation/ Institution to the extent of number of year(s) they have served on regular basis or contract/causal basis.

**Sd/- G. Tapankumar Sharma**
*Joint Secretary (Admn.).*
Manipur Legislative Assembly.

HL-B/7103/26,27,28